# ‘শীংনরকপা পূম্নমক থেংনগদবনি’

## ইমা লৈবাক্কীদমক্তনি

### উশম ধরমেন্দ্র



কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংনা মীতৈশিংদা লান্দাদুনা নমদুনা থোকহনখিবা লান চহী অহুম মপূং ফাখ্রে। মসিগী ৱারোইশিন ঙসি ফাওবা লৈত্রি। এন বিরেননা লুচিংবা লৈঙাক্তু মূথৎলগা থমখিবা প্রসিদেন্টস রুলগী মতমদুদদি কুকি টেররিষ্টশিংগী মায়কৈদগী নোংমৈ, বোম মখোল কয়া তাহল্লকখিদে। ইশম শন্বা লোজিক্নি। মণিপুরগী মীনা নৎত্রগা মীতৈনা চীফ মিনিষ্টর ওইরগা মণিপুর ষ্টেট শাসন তৌবদা ঙমদে ঈরাং থোক্তুনতা লৈ হায়বা উৎনবা থৌশিলনি। এন বিরেনগী মতুংদা থমখিবা প্রসিদেন্টস রুলগী চহী অমাময়াগী শাসন্দুনা মীচম মীয়ামগা শম্নদনা মখোয়গী তৌফম থোকপা লৈঙাক চলাইবগী থবক অদুম তৌখি । মতমদুদা ব্যুরোক্রেট ওফিসরশিংনা চাওখিবসিদি অরোইবীনি। ফম তারে হায়দুনা মিনিষ্টর ফাওবগী ফোন কোল পায়বীদবগী ৱাফম ফাওবা লৈখি। মথংদা ৱাই খেমচান্দগী লৈঙাক লাকখ্রে। তঙাইফদনা বি জে পিনা লুচিংবা ষ্টেট লৈঙাক অমা মথংগী এসেমব্লি ইলেক্সন মমাঙদা লৈহৌদবা য়াদবনি। মরমদি পেন্দবা, থোক্লিবা ঈরাং পূম্নমকসি লৈঙাক পায়রিবা রুলিং পার্টিদা মীয়ামগী ৱাকৎ লাকপা তাবনি। মরমদি মখোয়না মীচম মীয়ামগী মপী মপানি।

বি জে পিনা লুচিংবা ষ্টেট লৈঙাক্কী মখা চত্থরকপা প্রসিদেন্টস রুলনা মরক্তা ব্রেক পীরুবা লৈঙাক্কী মতুংদা ৱাই খেমচান্দনা লুচিংবালৈঙাক্তা মীয়াম্না আশা কয়া থম্নখিবনি। ৱাই খেমচান্দনসু মহাক্না লৈঙাক শাশন হেক পায়রকপগা লৈরিবা ঈরাংসি নেমথখিনবা অমসুং ফূরুপ কাঙলূপ অমগা অমগা নুংশিনবা থাজনবা পুরক্নবগী পান্দমদা জিরিবামদা, সেনাপতিদা, উখ্রুলদা চৎপগী প্রোগ্রাম মথং মথং পায়খৎখি। অদুবু লাইবক থীবদি মহাক্কী খোঙচৎকা ইরোয়ননা কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংনা নোংমৈ, বোম কাপশিন্দুনা মীচম মীয়াম হাৎপগী থবক মথং মথং চত্থরকখি। চহীসিগী এপ্রিল থামক্তদা মীশি মীনাতনা পীক থনখি। এপ্রিল ৬ অমসুং ৭কী লোন্নবা অহিংদা কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংনা ত্রোংলাওবী অৱাং লৈকায়দা চহী মঙা অমসুং থা মঙাগী অঙাং অনী তোমথিন ওইনাম অমসুং য়াইস্না মমাগী মথাদা তূমদুনা লৈজরিঙৈদা বোম কাপশিন্দুনা তমথীনা হাৎতোকপীখি। মদুগী থৌদোক্তু য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা গেলমোল খুল মনাক নক্না লৈবা সী আর পি এফ কেম্পতা ‘নখোয় করি তৌদুনা লৈরি, মীচম মীয়ামগী পূন্সি ঙাকপী শেনবীদ্রিবা করিগীনো?’’ হায়না খোঙজং চঙশিনখিবা মীচম অহুম সী আর পি এফনা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎতোকপীখি। মসিগা ইরোয়ননা উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী লিতান এরিয়াদগী চত্থরকখিবা ঈরাংগী মখা তানা কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংনা এপ্রিল ১৮দা নেশনল হায়ৱে নম্বর ২০২ (ইম্ফাল-উখ্রুল) লম্বীগী টি এম কসোমদা মীচম মীয়ামগী গাড়ীদা এম্বুশ তৌশিন্দুনা থবক্তগী পোত্থারবা আর্মি পর্সনেল অমা য়াওনা তাঙ্খুল নুপা অনী হাৎতোকপীখি। মখা তানা এপ্রিল ২৪দা তাঙ্খুল-নাগা ভিলেজ ভোলন্টিয়র অমসু কুকি নাকো টেররিষ্টশিংনা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎতোপীখি। হৌজিকসু ঈরাং লৈরি, লোইবা লৈতে, লোইখিরোই।

মণিপুর অসি ম্যান্মারদগী চঙশিল্লকপা কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংগী লান্দাফম টার্গেট ওইরে। হন্দক্তা ম্যান্মারগী টেররিষ্ট কে এন এ-বিনা মণিপুরদা ফোংনা হেক্তা মখোয়গী য়াল্লবা কাদরশিংনা মণিপুরগী কামজোং দিষ্ট্রিক্টকী ঙমখৈ পরিংদা লৈবা খুল নমলি, ৱাংলি, অসাং খুলেন অমসুং চেরো খুলদা মে ৭কী অয়ূক অঙনবদা লান্দারকখ্রে। মদুনা মরম ওইদুনা খুঞ্জাশিং মায়কৈ সলাই খঙদনা লাঞ্জেন্নরে। মসিদা খ্বাইদগী ঙক্লিবদি মীয়ামগী পূন্সি অমসুং লন-থুম ঙাকপী শেনবীগদবা ষ্টেট  অমসুং সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা মহৌশা মহৌশাগুম লান্দারক্লিবা কুকি নার্কো টেররিষ্টশিং অদুগা মায়োক্নখিদবসিনি। ৪০শুবা অসাম রাইফলসকী টিম অমনা থৌদোক্তুগী নোংমা ৱাৎলিঙৈদা লাক্লম্বা মতুংদা টেররিষ্টশিংগী লান্দা অদু চত্থরকখিবনি। অদুনা মীয়াম্না অসাম রাসফলসতা থাজবা লৈত্রে হায়না ফুংয়ার এ সীগী এম এল এ লৈসিও কৈশিংনা ফোঙদোকখি। নীংশিংবা য়াবদি, মে ৩,২০২৩দগী লান অসি থোক্ত্রিঙৈগী মমাঙদসু ম্যান্মারদগী হায়জিল্লকপা মীতোপশিংনা হান্না খুন্দাজরম্বা য়েলহৌমীশিংদগী মশীং হেনগৎলক্লে হায়বগী ৱাফমসু এম এল এ লৈসিও কৈশিংনা ফোঙদোকখিবা লৈখ্রবনি। কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংনা থোকহনখিবা মে ৩গী লান মমাঙদা আইন কায়না চঙশিল্লকপা মীতোপশিং খন্দোক্লুবা মতমদুগী ত্রাইবেল এফেয়রস এন্দ হিলস মিনিষ্টর লেটপাও হাওকিপনা চ্যেরমেন ওইরগা মিনিষ্টর অনী অৱাংবৌ ন্যমাই অমসুং টি ঐচ বসন্তকুমারনা মেম্বর ওইদুনা কেবিনেট সব-কম্মিটি অমা শেমদুনা থবক হৌরমখিবনি। অদুবু মে ৩,২০২৩গী লান হৌরকখিবদগীদি মথোং খঙখিদ্রে। হৌজিক মণিপুরসি মথোং খঙদবা মপু পান্দবা ফীভম অমদনি লৈরিবসি। হন্দক্কী কামজোং দিষ্ট্রিক্টকী খুলশিংদা কে এন এ-বিনা পি দি এফকা পূন্না চত্থরকখিবা এটেক্টতুগী মতাংদা পেন্দ্রবা ফুংয়ার এ সীগী এম এল এনা খুঞ্জাশিং ঙাকপী শেনবীদ্রে হায়দুনা ফীভম অসি য়ৌরবা ফাওবদা ষ্টেট অসিদা লৈরিবা সিক্যুরিটি ফোর্সনা ইম্ফাল মনুংদা লৈবা গভর্ণর অমদি চীফ মিনিষ্টর য়াওনা পুলিস হেদ ক্বার্টর খক্তবু ঙাকহল্লগা লৈখিগদ্রা হায়নসু ফোঙদোকখিবনি।

দেমোক্রেসি চৎপা ইন্দিয়াগী মনুংদা লৈরিবা মণিপুরদা চলাইরিবা লৈঙাক মওং অসি খ্বাইদগী ঙকপা অমা ওইরে। সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি ফোর্স ময়াম অমা মে ৩,২০২৩গী ঈরাংসি হেক হৌবদগী মণিপুরদা থৌজিল্লকখি। কদাইদা করিদা শীজিন্নরিবনো খঙদে। চীংগী কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংনা কন্ট্রোল তৌবা মফমশিংদা সেন্ট্রেল পেরা মিলিটরি ফোর্সশিংগী মমাঙদা কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংগী নুপা-নুপী কাদরশিংনা অফবা মখলগী খূৎলায়শিং পুদুনা চৎপগী ভিদিও কয়া সোশল মীদিয়াদা অদুমক উই। উচুক য়ুংবগুম অদুম সেন্ট্রেল ফোর্সশিংনা লৈ করিসু তৌদে। নাকল অমরোমদনা তম্পাক্তা লাঞ্জেন্নরিবা মীওইশিংনা অমদি সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেশনশিংনা করিগুম্বা দিমান্দ অমা তৌবগী খোঙচৎ অমা চৎপদা খজিক্তং লাউ খোংবা পেন্দবা ফোঙদোরকপগী মমি উবদা টিয়র গ্যাস, মোক বোম, রব্বর বুল্লেট, মদুদগী লাইফ রাউন্দ ফাওবা শীজিন্নদুনা মীশি-মীনা থোকহল্লি। ঈরাংসি হেক থোরকঙৈদগী সিক্যুরিটি ফোর্সশিংগী মখূৎতা শিখিবা, শোয়নাইহনখিবা মীওইগী মশীং অসুক্কী মতিক য়াল্লবনি। থৌনা ফবা অদুগুম্বা ষ্টেট অমদি সেন্ট্রেল ফোর্সশিংগী থৌনা অদু কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংগী মায়োক্লবা লানফমদা শীজিন্নরুরবদি মীচম মীয়াম্না থাগৎলমগদবনি।

লোইশিল্লকপদা, ম্যান্মারদগী হাইজিল্লকখিবা কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংনা মণিপুর থুগায়নবা মে ৩,২০২৩দা মীতৈদা লান্দাদুনা থোকহনখিবা লানগী অৱা মৈশা মরকসিদা য়েলহৌমী তাঙ্খুল-নাগাশিংদা অতম্না অকনবা মওংদা লান্দারক্লি। মণিপুরগী ঙমখৈদা শীংনরকপা অসি ইন্দিয়াগী ঙমখৈদা শিংনরকপনি। কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংগী লান্দা অসি এক্সটর্নেল এগ্রেশননি হায়না ইন্দিয়াগী য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টনা মাঙজৌননা খঙখ্রবসু ঙসি ফাওবা কাঙলূপ মশেলগী লাননি হায়দুনা থৌশাদনা লৈরি। মসি তৌফম থোক্তবনি। করিগুম্বদা পাকিষ্টানগা তাইনবা ঙমখৈদা অসিগুম্বা থৌদোকসি থোক্লম্লবদি ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা অকনবা মীৎয়েং চঙমলগনি। মতাংসিদা ষ্টেট লৈঙাক মপাঙ্গল কনবা মথৌ তাই। মণিপুর থুগায়নবা শীংনরকপা খুদিংমক থেংননবা লৈঙাক্না হোৎনগদবনি হায়বা ৱাফমসি থমজরি। ●

# লমন খুম্বা নুমিৎতো নকশিল্লক্লে লমনদি খুম্বা ঙম্লগদ্রা?

### - রঞ্জিৎ নিংথৌজা -



ইপা-ইপুশিংগী মতমদো হঙ্গৎনা য়েংবা তঙাই ফরক্তে। মাঙদা চৎখ্রবা লৈমায় অসিগী পুৱারী নীংশিংবা হৈনদবনা চেকশিনবা কৌবা মীওইবগী মচৎ অসি লমদমসিদা পুমতোয় হেক তোয়বা হায়বদো ওইরে। ফুরা দলানগী, য়ূমলৈ কৈরৈদা মীওইবগী পূন্সিরোল অসি হোংখিবনরা অদুঙৈগী ফুঙ্গা নাক্তা ইমানা থোংলিবা চাক ঙায়বা ঙম্নবা ইপুবোক্না ফুঙ্গা ৱারী লীদুনা তাখিবদো হৌজিক্কী অঙাংশিংদি তাবা ফংবা নত্তে। ষণলম, কাংজৈবুং, খুঙ্গং অয়াম্বদা লৈনদ্রবনি। ষণশেল্লেং নাইনা শা-ষণশিংবু মখোয়গী মচীঞ্জাক চাফমদা পুবিবা, মপুক থন্না পীজরগা ময়ূম ময়ূমদা অমুক হোইজিনবীরম্বা, পূম্নমক পুয়া ওইনা ইহৌদবনা তপ্না তপ্না খুন্নাই অসিদগী মাঙথরক্লিবা ৱারীনি। মহৈ তম্লুরগা হল্লকপদা হৈত্রোই, পুংহৈতোন হেক্তুনা চাবনা দুকানগী অচাপোৎকী মহুৎনি। লৌবুক্তা কুমদুনা থম্বৌ, কোংগ্রেং ফারগা লেংমান্নবা মশেল চাকচা হৈজানবা। তাওথবী তুমাইদগী হৌরগা হৈকক য়েল্লিনা পুক থল্লম্বা, ইমা ইপাগী মতুং ইন্নদুনা লৌবুক্তা লৌরাং শুবা য়াওবা, হাপু খন্দুনা মৈ থামিন্নবা, য়াহৌ ঙন্নবা হৌদোকপীবা, শুমাং থেল্লোং উহন শুমচিৎনা শিত্তোকহন্দুনা হকচাং শাজেল ওইহনবা, পূম্নমকসে মীপান তাংদনা হিংবা তম্লিবনি। ইশাগী পোথোক্না হিংজবা তম্বীরিবনি। খুল্লং কুম্বশিংগী খুল্লং ঈশৈনা শেমগৎলকখিবা মরোমদোম লেপচবা ঙম্বগী মথৌনা মরিংজেল পূম্নমক বৃটিশ ইন্দিয়া লাকপদগী তপ্না তপ্না মরাই চাইথবা হৌরকখিবনি। লৈশেমঙৈদগী চত্থরকপা পূন্সিরোল খুন্নাইরোল অদু তপ্না তপ্না থুগায়বা হৌরকখ্রবনি।

অঙৌবা মকোক মঙা কংলা মাংদা কেলহল্লুরবা মতুং মালেমদা নুমিৎ তাবা লৈতে হায়নখিবা বৃটিশকী লাঞ্জাও অদু চীংলোন মাপলনা লোইনা ঙাক শেল্লিবা লমদম অসিদা য়ৌরকখিবনি। ১৮৯১, এঙলো মণিপুর লানফমদা মথৌনানা মরাইবক ওইখিবা ইপুশিংবু বৃটিশনা খুদুম চনখি। মরৈবাক্কীদমক অথৌবা কয়া খাংঙুথক্তা মাঙখি। মণিপুর বৃটিশকী মখাদা হিংলে। বৃটিশকী হাক্তক্তা লমদম অসিগী পূন্সিরোলদা খূৎশেমগী অৱাবা ফংবা হৌরকই। ১৯০৪দা সাহেবশিংগী লৌতুনবা অমদি মশাগী লন্নাই কান্নবা থিবা খরনা খূৎশেমগী চাক তাঙবা থোকহন্দুনা ইমাশিংগী অহানবা লান থোকখিবনি। মতুং তারকপা কুমজা ১৯৩৯দগী ১৯৪০ ফাওবদু খূৎশেমগী চাক তাঙহনবনা অনীশুবা ইমাশিংগী লান অমুকসু থোকখি। ১৯৪৭তা মণিপুর নীংতম্লে। ১৯৪৮দা মণিপুর মশাগী লৈঙাক লৈজরবা মালেমগী লৈবাক অমা ওইজরে। অদুবু লৌতুনবা মীওই খরগী থৌশিলদগী মণিপুর ইন্দিয়াদা অমুক তিল্লে। ১৯৪৯দা ইন্দিয়াদা তিল্লবা মতুংদা বৃটিশতগী তমজহৌবা ইন্দিয়াগী লৈঙাক্লোন্না অমুকসু চাক তাঙবা থোকহন্দুনা কুমজা ১৯৬৫গী ওগষ্ট ২৭তা মহৈরোয়শিংনা হৌনরুবা নাইদনা চাক্লাম খোঙচৎ চৎখি। সিফাইগী কা হেনবা থৌওংনা মহৈরোয়শিং শিখিবনি। ওৎপী-নৈবীবা মতৌনা পেন্দ্রবা নহা কয়া ইন্দিয়াদগী তোঙান তানা হিংনীংবগী ৱাখল্লোন পোকহনখি। নুপীজা কয়াগী পূন্সি মাঙখি। অফবা লুচিংবা ওইগদবা মীওই কয়া উমংদা ময়ূম ওইখি। কুমজা ২০০০গী নবেম্বর ২দগী ইরোম চনু শর্মিলানা চারা হেনবা হৌখি। শর্মিলানা ‘আইরন লেদি’ মিংথোল ফংলবসু ‘অফস্পা’ অমুবা আইনগী চৈথেংদি ঙসি ফাওবা ফংলি। পূম্নমক খূৎশেমগী চৈনা ঙাক্তনি।

ঐখোয়গী মীয়াম ঙসিদি ৱাবনা খম থেংলে। খূৎশেমগী অৱাবা লমদম অসিগী মীয়াম্না ফংফম থোকপা চাকথুংগুম খজিক্তফাও ময়েং তাথবা তৌদনা ফংলি। হৌজিক চত্থরিবা খূৎশেমগী ঈরাং অসিনা তম্পাক্কী শরুক্তা খুন্দারিবা মণিপুরীশিংবু শারং মনুংদা য়োল্লগা থল্লিবা শা-ঙাগা পাঙ্খক ওইহনবীরি। অৱাংদা সেকমাই লানবা ঙমদ্রে। খাদা ক্বাক্তা, পল্লেলদগী হেনবা ঙমদ্রে। অৱানা কুমজা ১৮১৯দগী ১৮২৬ ফাওবা চহী ৭ খুন্তাক লানশিহল্লম্বা ফীভম অদুগা হৌজিক্কা করিদা খেন্নরিবগে হংবতা ঙায়রে। মোরোক থাদুনা হাৎত্রি। য়াইরিনা লেংদুনা পুদে হায়বতনি, নুপী-অঙাং হিংহাৎ হাৎপীবা, মথাদা নাওকোন্দুনা য়োকচরিবা মচাবু মমাগী মথাদা হিংহাৎ হাৎপীরি। বৃটিশকী মখূৎতগী লৈবাক কন্নবা হোৎনবদা নোক্না নোক্না ফাঁসি শগাই কাখিবা অথৌবশিং অদুনা ঙসিগী মীরোলবু করি ওইনা উরমগনি খনগনু য়াদবা মীকুপ্তু য়ৌরে।

অনম-অহা চুরবা খুন্নাই মীয়াম অসিনা ঙসিদি নীং-তম্নিংবগী খোল্লাওদি লৈথক লৈখা খোন্না লাউরি। অদুবু মীয়াম অসিনা ইশা ইশাগী হকতি য়োল্লগা চারি। হক য়োম্থোক্লগা কপ্না কপ্না হিংলি। শুবদা হকচিক লাংনরি। চাবদা হুমাং কাংনরি। মীখা পোল্লে হায়বতং হৈরি। মীপান তাংদনবা শুবা নোম্বদি হৈত্রি। অফবা চীঞ্জাক য়োম্থোক্লগা হু য়াওবা চীঞ্জাক মুন্নদুনা চারি। লায়না কয়াবু শেন্দোং ওইনা ফংমিন্নরি। খুন্নাই অসিবু ঙম্লিবমখৈ শোন্থহনবা পাল্লিবা বিক্সি ভারতনা য়েলহৌ মীয়ামদা য়োংগী তনয়েন চীঞ্জাকসু ৱায়েলসু মচেৎ মচেৎ য়েনবীদুনা থেম্বীরি। লৈজরম্বা নাৎ-কলচর পুম্মুৎ মুথৎনবা হোৎনরি। মচিন মনাওশিংবু ইনশিন ইনশিন্নদুনা য়েক্লবা ওইহল্লি। শেম্মীৎলোন, খুন্নাইরোল, পূন্সিরোল পুমতোয় তোয়হন্দুনা মীখা খম থেংনা পোনবগী পুয়া তুংগী মীরোলগীদমক নমদুনা ইবিরি।

আর্টিফিসিএল ইন্টিলিজেন্স (এ আই) গী মতমনি। পোৎশক খুদিংমক এ আইনা মহুৎ শিল্লি। মসি খূৎশেমগী পন্দোন লোম্লবা হৈ-শিংবদুনি। অদুবু মনীং তম্না লৈজরম্বা খুন্নাই অমবু খূৎশেমগী হৈশিংবনা, খূৎশেমগী লান অমা (প্রোক্সি ৱার) অমা চহী ৪০ চঙনা শেমগৎতুনা মী ওনবা হৈত্রিবা কাঙলূপ অমদা তোংশিনবা থৌওং অমনা খুন্নাই অদুবু উফুল তানা থুগাইরিবা অসিগী লমন খুম্নবগী নুমিৎ অদো তপ্না-তপ্না য়ৌরক্লে। শীংনরিবা অসিদা মোবকী খোঙজং কয়া লূপ নৎত্রগা লন্নাই মীওইশিংনা হানবা তান্নবগুম চত্থরিবসিদি থুগায়বা পাল্লিবা মখোয়দা মতেং পাংবনি খন্থনদে। শিন্থা লেপ্লগা, ৱাকৎ মীফম ফম্লগা, লম্বীদা মৈ থারগা, হ্যমেন চ্যেন শেম্লগা, অহিংদা য়োৎলি মখোঙ খিংলগা, সিফাইদা নুঙ, নাওরি কাপশিল্লগা, সোশল মীদিয়াদা শাশিন্নবা একাউন্ট পায়রগা লুজদবা খোনচোপ ঙাঙবা, লৈবাক কায়নবা তোকঙা শন্দোক্লগা, নাৎ কলচরদা ঙম্মী মতাগুম থিংজিল্লগা খূৎশেমগী লান অসিগী লমন খুম্বা নত্তে। চহী ৫গী অরোইবা নুমিৎতুনি। ইশাগী পাউখোল্লোয় খনবা নুমিৎতুনি মীয়াম অসিনা প্রোক্সি ৱার অসিগী লমন খুম্বা নুমিৎ। কুমজা ২০২৭তনি কপ্লিবা, ৱারিবা, শেৎন-খায়নহল্লিবা কয়াসিগী লমন খুম্বা মতম। ইচা কায়নদনবা, য়ূম মৈ চাক্তনবা, নাৎ কলচর মাঙহল্লিবা অসিগী লমনদি মীখলগী নুমিৎতুনি। মীয়ামসি লমন শোয়দনা খুম্বা ঙম্বীগদ্রা? লৌ-ইঙ্খোল য়োল্লগা তোলোপ চাবা থবক তান্নরিবা ভোটরশিংনা হক য়োন্দবদি ঙমগদৌরিব্রা? ●

# লৈঙাকপনা মীয়ামগী ইহুল খঙলক্ত্রবদা

### - রানাপ্রতাপ য়ূম্নাম -

পাক চাউরবা ভারতবর্ষ অসি মালেমদা লৈরিবা লৈবাক কয়াগী মমাঙদা দেমোক্রেসি চৎপা খ্বাইদগী চাউবা লৈবাক অমনি হায়দুনা ঐখোয়গী লৈবাক ঙাক্লিবা মীয়াম্না খনবা মীহুৎশিংনা লাউরি। ইন্দিয়া অসি ষ্টেট ২৮ অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটরি ৮নি। পূম্নমক ইন্দিয়াগী মনুংদা লৈবা য়ুনিয়ন টেরিটরি অমদি ষ্টেট ঙাক্তনি। কুমজা ১৯৫২দগী মীখল পাঙথোক্লগা মীখলগী মীরেপশিং অদুদগী লৈবাক ঙাকপা হৈগনি, মীয়ামগা খূৎশম্নগা চৎমিন্নগদৌবা মীনি হায়দুনা মাগী মাগী ষ্টেট এসেমব্লি অমদি পার্লিয়ামেন্টকী মীহুৎ থাদুনা ঈং-তপ্না, চাওখৎপা, চাকথুং-ফিথুংবা লৈবাক অমা ওইনবগীদমক দেমোক্রেসিনা পীরিবা হক অদুগীদমক মীহুৎ খল্লিবনি। এসেমব্লি অমদি পার্লিয়ামেন্টতা মীয়ামগী মীহুৎ থারিবনি। মীহুৎশিংদুনা আইন ঙাকপা ঙম্লক্ত্রবা, মীয়ামগী পূন্সিদা শান্তি থম্বা ঙম্লক্ত্রবা মতমদা সেন্টরনা ষ্টেটশিংগী লৈঙাক অদু পায়শিন্দুনা লৈঙাক থৌদাং পূম্নমক্কী দায়ত্ব লৌদুনা লৈঙাকবু রাষ্ট্রপতি শাসন হায়দুনা মীয়াম্না খঙনরিবা অসিনি। ষ্টেট লৈঙাক লৈরিঙৈদা চীফ মিনিষ্টর অমসুং মাগী কাউন্সিল ওফ মিনিষ্টর পূন্না থবক তৌমিন্নরম্বা অদুগা চপ মান্ননা ষ্টেটকী মিনিষ্টর পূন্না থবক তৌমিন্নরম্বা অদুগা চপ মান্ননা ষ্টেটকী গভর্ণর অমদি সেক্রেটরি কম্মিস্নরশিংগা পূন্না থবক তৌমিন্নবনি। মহৌশাদি প্রসিদেন্ট রুল অসি য়াম্না কিনৈ, শিন্মী খুদিংমক মতম চানা থবক কাদবা য়াদে, মতম চানা কুমদবা য়াদে। মাঙদা তাবা ফাইল মতম চানা লোইশিন্দবা য়াদে। শেঞ্জা থুমজা য়াদে হায়দুনা শিন্মী খুদিংমক মীয়ামগা নক্পনা থবক তৌই। প্রসিন্টে রুলবু য়াম্না লুম্না লৌদুনা মদুগী কান্নবদু লৈবাক মীয়াম্নসু কান্নবা লৌরিবনি। গভর্ণর কাউন্সিলগী মতিক মথৌনা ফুদোক্লগা থবক তৌদুনা শেঞ্জা থুমজা লৈতে, ওফিস চে-চাং ফাইল খুদিংমক ইখৎফম থোকপা ইখৎপা, থাফম থোকপা থাবা অসি চৎনবীনি। ষ্টেটকী লৈঙাক পোপ্যুলর মিনিষ্ট্রি লৈরিঙৈদদি ব্যুরোক্রেসি কয়ানা খঙজবা থেংনরকপা অচুম্বনা কদাইনো, অরানবনা করিনো হায়বা কয়া খূৎ থাবা ঙমদনা লৈরম্বা পূম্নমক ঈশিংনা ঈশিং, শঙ্গোমনা শঙ্গোম ওই হায়রিবনি প্রসিদেন্ট রুল/রাষ্ট্রপতিগী লৈঙাক অসি। মীয়াম্না খনবা মীহুৎনা লীংবা লৈঙাক্তি ঐগী-মী, মীগী মী, ইচা-মীচা য়োংলৈ মেলৈ নাই হায়নরিবনি। কনা কনাগুম্বা ব্যুরোক্রেসিশিংনা অচুম্বা অশেংবা তৌগে হোৎনরকপা মতমদা মীশক মীমায় য়েংনবা, লৈঙাক্কী পাউতাক লাকপা মতমদা খূৎ থাবা ঙমদবা কয়া অমা লৈখ্রে।

ঙসি মণিপুরদা লৈরিবা লৈঙাক্কী শিন্মী খনবা মতমদা মীহুৎশিংনা থম্মোয় শেংনা থবক খন্নবা ইচা-মীচা য়োংলৈ মেলৈ নাইরমদ্রবা ১০০ ওইগেরা লিশীং ওইগেরা লিশীং ১০ লাক্কেরা লাক্লিংবা লাকসনু মখোয়শিংদুগী মনুংদা ককশি য়ৈদুনা খনবা ঙমহৌদবদগী ঙসিদি করি ওইরি। লৈঙাক অসিগী মখাদা লৈবা শিন্মী ১০০দা ৮০না তোলোপ ঙাইবা, শেঞ্জা থুমজা থিদুনা ৱাচৎ ৱানোম্বা, কনা পেন্সন চৎকদৌরি, কনাগী জি পি এফ থারি হায়দুনা মথৌদি তৌদনা মদোমদা মমায় ওনশিন্দুনা লৈরি। থবক খনবা মতমদা মহৌশাগী পুলিস ভেরিফিকেশন কনানা কনানো, করম্বা লমচৎ শাজৎ চৎপা মীনো হায়বা মতম অদুদা শেঞ্জা থুমজাসু কয়া তৌরমদে অদুগা মথৌসু মাগী মাগী মাঙদা তাবা ওথোরিটি ওইবা মখোয় মখোয়বু সুপরভাইজ তৌরিবা অদুনা শিন্নবা থবক খুদিংমক মফম মতম চানা লোইশিনবগী মচৎ লৈরম্মী। ঙসিদি কদাই থবক চংনবা হোৎনবদা পথাং-পুথাং থিদুনা রিট্টন, ভাইভা অমদি ফিজিকেল খুদিংমক গেট পাস কক্তবা য়াদ্রে।  ভাইভা লোইরবসু অমুক মেদিকেল, পুলিস ভেরিফিকেশনদা মাগী মাগী পুলিস ষ্টেশন অদুগী রিপোর্ট লৌনবা হোৎনবা মতমদা মেদিকেলগী চে চাং পীগদৌরিবা/পীগদৌরিবশিংগী মচিন চোৎহনদ্রিবা মখৈ চে থাদোক্তবগী চৎনবী অমা ওইরে। মশা ফিট ওইবা ওইদবা লায়না-তীলনা চেনবা চেন্দবা শেল খরনা পূম্নমক ফিট ওইহনবা লৈবাকনি।

ঐখোয়গী মীহুৎশিংনা থম্মোয় শেংলবদবু করিগী শেঞ্জা থুমজা শিন্মীশিংনা তৌবা ঙমগদ্রা? ওফিস এটেন্দেন্টতগীনা টোপ ওফিশল খুদিংমক্না ফংলিবা তোলোপ অসি লায়রবা শু নোমদুনা নোং হেক ঙানদগী নুমিৎ তাবা ফাওবদা শুনা শুনা চাবা মনীং থুংদ্রবা, শেৎপা মপূং ফাদ্রবা কয়াদুগী হুমাং মমলনি। হঙ্গাম মরূ চপখায়রগা হঙ্গাম  শুম্বগুম্না শুম্বীরবা মীওই কয়াগী পূন্সিগী খন্দুনা থবক তৌবগী হৈনবী থমদুনা লৈবাক ঙাকপা ফৈ।  মীয়ামগী ইহুল খঙনা অৱাৎ-অপা শেমগৎ শাগৎপা অদুবুনি লৈঙাক ঙাকপা হায়বা অসিমক্তবু। ষ্টেট অসিগী মীয়ামদগী লাপথোক্লগা অচৌবা ঈপাক অমনা থৎপগুম্না মরক্তা য়াম্না চাউনা শম্বল খারবদি দেমোক্রেসিগী ৱাহন্থোক লৈত্রে।  মীয়ামদি চাওখৎ থৌরাং লম্বী-থোং, মৈ-ঈশিং খুদিংমক চাকথুংবা ফিথুংনা পাম্বনি। মদুগী ওন্ন-তৈনবদা ঐগী ঐগী তোলোপ শোয়দ্রগা লোইরে, লম্বী ফত্তবা, ঈশিং তাদবা, মৈ চাং নাইদবা, লৈঙাক্কী মখাদা লৈবা মহৈলোয়শঙ কয়াগী স্কুল মথং মথং মুৎশিল্লকপগী থোইনা খন্নদ্রে। গভর্ণরসু মীয়ামগীনি, চীফ সেক্রেটরিসু মীয়ামগীনি, লৈরিবা ষ্টেট অসিগী ব্যুরোক্রেসি পূম্নমক মীয়ামগী সেবানি, সেবাদুগী সেবারি অমা ওইবগী ফংফম থোকপা ফংনবনি। লৈঙাক্কী স্কুল মণিপুর তম্পাক্তা কয়াম মুৎখ্রে। এল পিদগীনা হায় স্কুলগী থাক ফাওবদা লায়রবা কনাগী মচানা প্রাইভেট স্কুলদা তমহনবা ঙমগনি। লৈবাক ঙাক্লিবা কয়ানদি লাউরি মণিপুর হীরম খুদিংমক্তা খোঙজেল য়াঙনা মাঙলোমদা চঙশিল্লে হায়না।

থবক চাম্মা লৌবদা অমা-অনী য়াওরম্বা য়াই, চাং ৱাংনা থবক লৌবা মতমদা মবুধি মরৌশিং, মপাঙ্গল মথৌনা খুদিংমক শেলনা কুপশিন্দুনা চত্থবা মতম কুইরে। মী অমখক-অনীখক পুথোক্লগা সোশল মীদিয়াদা শেল তিংদনা খল্লকই হায়হনবা কয়াসু অদুম য়াওই। ঙসিগী লম্বী থোং করম্বা ফীভমদা লৈরিবগে হায়বসি লম্বী চৎলিবশিংনা খঙগনি। লোক ভবন মমাঙ, মণিপুর সেক্রেটরিএট মমাঙ, ইম্ফাল সহরগী মরু ওইবা লম্বী খরগী লম্বী সড়ক হায় ক্বালিটি মেন্টেনেন্স তৌদুনা থল্লগা সহরদগী হাইদোকখ্রবা লম্বীশিং, খুঙ্গং কয়াগী লম্বীদি করম্বা মওংদা লৈরি হায়বা খঙবীদনা চাওখৎলে, নুংঙাইরে, খোঙজেল য়াঙনা চঙশিল্লে হায়বদু ইম্ফাল সহরগী চীংমৈরোংদগীনা শীংজমৈ ফাওবদি লম্বীগী হায়বীবা য়াই। হাইদোকখিবা খুঙ্গং কয়াগী লম্বীদি চহী কয়ানো মীয়াম্না মায়োক্নরিবা অসিবু ঐখোয়গী লৈঙাক্লিবশিংনা লৈবাক মীয়ামগী ইহুল খঙনা থবক তৌরিবরা তৌদ্রিবরা হংবা য়াবা ৱাহংনি। ঙসি সহরগী মফম কয়াদা অমদি খুঙ্গংগী লৈরক খুল্লক কৈথেল মচা মচা কয়াদা য়ু য়োনবা, য়ু য়োনবীনা ৱাই চাইরে, ফংদবা লৈত্রে। য়ু য়োনবা অসি লিগেলাইজ তৌরবদি ষ্টেট অসিগী শেল থুমগী অহোংবা লাক্কনি। মীয়ামগী চাওখৎ থৌরাং কয়াদা খুমাঙ চাওশিন্না পায়খৎপা ঙমগনি। কর্ম্মচারিশিংগী পে কম্মিশননা লেপ্লকপা পে স্কেল অমদি মতম মতমগী দি এ অমদি পেন্সনরশিংগী দি আর মতম চানা পীবা ঙম্লগনি হায়না লৈঙাক্কী দায়ত্ব লৈবশিংনা হায়খিবা খুদিংমক ঙাকপা ঙম্লিব্রা। মফম মতম চানা থৌদোক ৱাথোক খুদিংমক মায়োক্নবা ঙম্বা লৈঙাক অমা মীয়াম্না ওইনীংই, ওইহনবীয়ু। ঙাইহাক ঙাইহাক্কী হায়জিন তৌশিন্নবনা তুং কোইবা য়ারোই।

ইম্ফালগী ৱাহেংবম লৈকায়দগীনা হিয়াংলম অমদি ৱাবগাই কৈথেল ফাওবা অদুগা কৈথেল অসিদগী খা পাংনা চৎখ্রিবা শেরৌ, শুগুনু, চকপীকারোং, মোম্বী তেরা, শজিক তম্পাক ফাওবা অমদি কৈথেল অসিদগী নোংচুপ পাংনা চৎখ্রিবা ককচীং লমখাই ফাওবগী শরুক অসি ফোর লেন্দ ওইহনবীদুনা মণিপুর মীয়ামদা অমদি লম্বী অসিগী নাক য়েৎশিংদা খুন্দারিবা মীয়ামদা জাতিগী থাক্কী ওইবা লম্বী অমগী থাক্তা থম্বীনবগী তঙাইফদবা অদু থমজবনি। মীশিংনে, চৎখিবা চহী কয়া অসিদা হেনগৎলক্লিবা গাড়ীগী মশীংনে লৈরিবা লম্বীগী সাইজ নে চান্নরিব্রা হায়বসু মরী লৈনবা লৈঙাক্কী ওথোরিটিনা থবক ওইনা ওন্থোকহন্নীংবগী অপাম্বদু খঙনা লৈঙাক্কী মিৎয়েং চংহন্নীংই। পূম্নমক্কী অরোইবদা থমজনীংবা ৱাফমদি ষ্টেট অসিগীদমক লৈঙাক্না মীয়ামগী ঈহুল খঙনা কাচিন কোয়া য়ৌনা মিৎয়েং শান্না য়েংবীয়ু। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।